থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ কংলৈপাক ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন (কে দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ) গী প্রসিদেন্ট এ কে মেমচা লৈমগী য়ূমদা কংলৈপাক ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন থৌবাল ব্রাঞ্চ কন্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হেন্না পাকথোক চাউথোকহনখ্রে হায়রি।

মীফম অদুনা নিঙোম্বম রন্থাপতিবু প্রসিদেন্ট, চিংথাম ইবেয়ামবু ভাইস প্রসিদেন্ট, থৌনাওজম জমুনাবু সেক্রেটরি, খুন্দোংবম সিনিবু জোইন্ট সেক্রেটরি, শগোলশেম থোইবী অমসুং এলাংবম ফজবীবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি অমসুং ইরোম শান্তি, মুতুম মেরিনা অমদি মোইরাংথেম মংলেম্বীবু ওর্গেনাইজেসন সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

ট্রান্সফর কক্কদবনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ তেংনৌপল পি ঐচ ঈ দি এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র জোইল ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর রিভোক তৌবিদ্রবদি থা অসিগী ১২গী অহিং নোংয়াইদগী হৌদুনা ইম্ফাল মোরে লম্বী মতম কক্তনা বন্দ তৌগনি হায়না ওল ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস রোবার্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ওল ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট ফোরম অমসুং কুকি চীফস এসোসিএসন তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা তেংনৌপল পি ঐচ ঈ দিগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র জোইল তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা মহাক্কী মথৌ পাঙথোকপা লাক্ত্রি ফাওবা বন্দ তৌনবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং ওথোরিটিনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগী য়েংবীদুনা ট্রান্সফর ওর্দর অসি রিভোক তৌবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ মরূ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ সী দি ও থৌবাল অমসুং ২৬শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা মাঙজৌনননা পাউ ফংবদগী ঙরাং অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং থরাওলোক্তা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লিলোং থরাওলোক্তা লৈবা এম দি অমির খান কৌবা মীওই অমগী য়ূমদগী গেং অসিগী মেম্বর ২ এম দি ৱাহিদুর রহমন (২৬) অপোকপা এম দি অমিদুর কৌবা লিলোং তময়াইদা লৈবা অমদি পীথ্লিবা অঙাং অমা ফারে হায়রি। য়ূম অদুদগী টৌই গন ১, নাইন এম এমগী নোংমৈ মরূ ১, ৭.৬২ এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরূ ৬, এ কে ৪৭কী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরূ ১ অমসুং ৱিজকোপ দ্রাই সেরব বোট্টল ৭ অমদি রিলেক্সকোপ দ্রাই সেরব বোট্টল অমা ফংবা ঙম্লে হায়না এদিসনেল সুপরিটেন্ডেন্ট ওফ পুলিস শকলেম্বা রাজকুমার (এম পি এস) না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ ঃ অখিল ভারতিয়া বিদ্যাথি পরিষদ (এ বি ভি পি) গী ফাউন্দেসন দে থা অসিগী ৯দা পাঙথোক্কনি হায়রি। এ বি ভি পি থৌবালগীসু নুমিৎ অসিদা কোসেমগী কন্ত্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন, জেদ ঈ ও থৌবাল, নেসনল সেক্রেটরি এ বি ভি পিনা চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইদুনা থৌবাল অচৌবা কৈথেল মখাগী মল্টিপরপজ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ব্লদ দোনেসন কেম্পসু পাঙথোকপগা লোয়ননা স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তাপ্পবশিংগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৮দা এ বি ভি পিনা শিন্দুনা স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তাপ্পবা মহৈরোয়শিংনা মতম চানা লাক্লুনা মনা লৌরনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

ওফিস শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ লিলোং নুঙ্গৈগী য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসনগী নৌনা শাবা ওফিস ঙসি অয়ুক পুং ১১.১৫ রোম চৎপদা শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মকোক থোংবা মহৈরোয় ৩বু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা সার্টিফিকেট অমদি শেলগী মনা পীখি অমদি শান্নরোয় ৬পুসু ত্রেক সুইটনচিংবা খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এদিটর অমদি হেলথ সর্ভিসেস মণিপুরগী মিদিয়া এদভাইজর খোইরোম লোয়ালাকপনা চীফ গেষ্ট, সোসল ৱার্কর অবদুল হসিম এলাইজ অমুনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি অনৱার হুসেন্না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ দিরেক্টরেট ওফ ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেসনেল রিছার্স এন্দ ট্রেনিং (এস সী আর টি) না শিন্দুনা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা জেন্দর ইক্বেলিটি এন্দ ইনক্লুসিব এদ্যুকেসন ফোর স্কুল টিচর থা অসিগী ৯দগী ১৩ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী য়ুথ হোষ্টেলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

লৈঙাক্লা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি : ও জয়

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা ৱারোইশিন পুরক্কদবসি মণিপুর লৈঙাকনি। মসিদা মণিপুর গভর্ণরগী থৌদাং লৈ হায়না হান্নগী মিনিষ্টর ওক্রম জয়না ঙসি ককৱা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ককৱা সোরোকখাইবম লৈফ্রাকপম লৈকায় দিভলপমেন্ট কন্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হান্নগী মিনিষ্টর ও জয়না হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী হ্যুমেন রিছোর্স মিনিষ্টরদা চে ইখ্রে। মণিপুরগী গভর্ণরদসু চে ইদুনা হায়জখ্রে। ৱাথোক অসি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লক্কনি। ঙরাং মহৈরোয়শিংনা সিক্স সেমিষ্টরগী রিজল্ট হায়দোকপীনবা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা চীফ মিনিষ্টর উননবা চৎপনি। মফমদুদা লৈরম্বা পুলিসশিংনা ফূবীবা হায়বসি চুমদে। মফমদুদা লৈহন্নীং-দ্রবদি লো শীজিন্নদুনা নখোয় চৎখ্রো হায়না ৱার্নিং পীবা নৎত্রগা ঈশিং কাপশিনবা য়াই। ভিদিও ফূটেজদা মহৈরোয় নুপীমচা অমদা অতম্লনা মকোক্তা চৈনা কল্লি। মসি জুদিসল ইনক্কারি তৌবা মথৌ তাদে। ফূরিবা পুলিস অদু সস্পেন্দ তৌগদবনি। মহৈরোয়শিংদা মওং-মরিল তাদবা লীচৎ চথবসি কন্দেম তৌই। ঙরাংগী থৌদোক অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পূক্লিং চঙবা ৱাৎপদগী থোক্লিবনি। ফূরিবা পুলিস অদু সস্পেন্দ তৌগবনি। ৱাথোক অসি মণিপুর লৈঙাক্লা লোইশিনগদবনি। মসিদা গভর্ণরগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ।

লাইরিক তম্বগী মরুওইবা মরমদি লাইরিক হৈবা অমনা খঙগদবসি মসিনা অচুম্বনি, মসিনা অরানবনি হায়বা খঙনবনি। তৌবা য়াবা, য়াদবা কয়া অদু খঙনবনি। মতম অমদা এ বি কলামনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লাকপা মতমদা হায়খি, লাইরিক পারগা খঙলবা মতুংদা খনবা ঙম্নবনি। খল্লবা মতমদা থবক তৌদুনা অচৌবা মী ওইরক্কদৌরিবনি হায়নসু থল্লমখি। মীওইবা খুন্নাইদা এচিভমেন্ট পীনবা হোৎনগদবনি হায়নসু মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয় ১০, কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয় ৮, সী বি এস ঈগী মহৈরোয় ২ য়াওনা পূন্না মহৈরোয় ২০ দা মনা পীখি। থৌরম অদুদা ককৱা সোরোকখাইবম লাইফ্রাকপম লৈকায় দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল গুনীনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ওইনাম জি পিগী প্রধান থোঙাম গুনেশ্বর, মাইবম লৈকায় জি পিগী প্রধান এন জি কুঞ্জরানী, এস কামেশ্বর, এল বোরোজাও অমসুং ঐচ জিলানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

তোল্ল-তারবা মীয়ামদা মতেং পাঙখ্রে

ককচীং, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ টয়াম চেরিটেবল ট্রষ্টকী ৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ট্রষ্ট অসিগী নৌনা শাবা ওফিসকী শঙলেন শঙ্গাবগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা লায়রবা অমসুং কনা লৈজদ্রবা অহলশিং অমসুং লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা অঙাংশিং, বোসেম্না লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০১৮দা ফর্ষ্ট দিভিজন্দা মায় পাক্লকখ্রবা ককচী অমসুং ককচীংগী খুল লোন্নবদা লৈবা মহৈরোয়শিংদা খুদোল পোৎ পীবনা থৌরম অদুগী মরু ওইবা শরক্তম ওইখি হায়রি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ককচীংগী লৈঙাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচীং এ সীগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, ট্রষ্ট অসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম য়াইমনা প্রসিদেন্ট অমদি নাওরেম অমুয়াইমা থবক্তংগী পোথারবা মীওই অমদি ডাক্তর নোংমাইথেম প্রমোদিনি লেকচরর ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এমসুনা মহৈরোয়শিং ওক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা থা অসিগী ২০দা কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামিনেসনশিংদা মায় পাক্লক্লবা কোম্থৌজম এ সীদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কোম্থৌজম অঞ্জলিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, রিসেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল শগোলতোংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা বোসেম্না লৌবা এগজামিনেসন্দা চাদা ৬৫গী মথক্তা ফংলকপা অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী সাইন্স ষ্ট্রিম এগজামিনেসন্দা চাদা ৬৫গী মথক্তা ফংলকপা অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা আর্টস এন্দ কমর্স ষ্ট্রিমগী ওইনা চাদা ৬০গী মথক্তা ফংলকপা অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিংদা চাদা ৭০গী মথক্তা ফংলকপা মহৈরোয়শিং ওইগদবনি হায়রি।

স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ০৮ ঃ গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা আই ইন্সটিট্যুট অমসুং সর্জরি সেন্টর অমা ওইরিবা আই দোক্টর্সনা শীন্দুনা হৌখিবা জুলাই ৭ তা গুৱাহাটি প্রেস ক্লবতা নোংমগী ওইবা মীৎ স্ক্রিনিংগী কেম্প অমা জর্নেলিষ্টশিংদা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা দোক্টরশিংনা সিটি অদুগী জর্নেলিষ্ট অয়াম্বা নুংতিগী পুং কয়া দিজিটেল স্ক্রন শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা আই চেক অপ মপুং ফানা তৌথোকপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। মখোয়না কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা জর্নেলিষ্টশিংদুগী তঙ্খাই অমদি মীৎ চেক মপুং ফানা তৌথোকপগা লোয়ননা তঙাই ফদবা ট্রিটমেন্টশিং পীবসু চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। সিনিয়র আই সর্জন দা. বিন্দু সিংলা গোইলনা কেম্প অদু কন্দক্ত তৌখি। জর্নেলিষ্ট ৬০ রোমনা শরুক য়াদুনা মখোয়গী মমিৎশিংগী প্রিলিমিনরি স্কৃনিং চথুখি। হৌজিক ফাওবদা প্রেস ক্লব অদুগী হেল্থ কেয়র ক্লিনিক্তা ফাউন্দেসন হোস্পিটালস, জি এন আর সী, এপোলো, দির্মস, মেদান্টা, মণিপাল হোস্পিটালশিংনা সপোর্ট পীরক্লি হায়রি।

য়ুথ কনভেন্সন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ সর্ভিস ব্রিদজ এজেন্সি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্লা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩দগী হৌদুনা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা ষ্টেট লেভেল য়ুথ কনভেন্সন ২০১৮ খুমন লম্পাক্কী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্কনি হায়না সর্ভিস ব্রিদজ এজেন্সিগী সেক্রেটরি এন রাজেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অসিদা টু ষ্টোপ ক্রাইম এগেনষ্ট চাইল্ড এন্দ ৱিমেন হায়বা হীরম অসিদা মাস রেল্লিসু পাঙথোক্কনি। রোল ওফ মিদিয়া ইন য়ুথ এম্পৱারমেন্ট হায়বসিদা ইম্পেক ন্যুজগী রাজ, সাইবর ক্রাইম এন্দ ইটস ইম্পেক্ট টু সোসাইটি হায়বসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এল ইবোমচা, রোল ওফ য়ুথ ইন প্রিভেন্সন ওফ ঐচ আই ভি/এইদস ইন প্রজেন্ট সিনারিও ইন মণিপুর হায়বসিদা অভিরাম মোংজম জে দি (টি আই) মেক্স, রোল ওফ য়ুথ ইন প্রোটেক্সন ওফ ইনভাইরনমেন্ট হায়বসিদা ঈ এন ভি আই এসকী কো ওর্দিনেটর ডা. এল বিরেন মীতৈ, আর দি গ্রাফিক ঈ রাইদকী প্রোপ্রাইটর এন রোমিও, মিষ্টর ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডর ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট খুন্দ্রাকপম প্রদিপনচিংবনা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

থাঙ-তাগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা থাঙ-তাগী সেলেবস কন্মিটি অমা শেমদুনা কুমজা ২০১৪দগী মহৈশঙশিংদা থাঙ-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা হাংদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা থাঙ-তাগী ওইবা ওজা অমা ফাওবা স্কুলশিংগী ওইনা হাপ্লীদেহায়না কংলৈ ইনি দজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না ফোঙদোরক্লি।

কিমাক্সকী সেক্রেটরি সাইখোম শান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থাঙ-তাগী ওইনা হৌজিক হৌজিক ওজা ওইরিবশিং অসিবু লৈঙাক্লা শক খঙবিদ্রি। লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী কলচর অমসুং থাঙ-তাদা য়েংলিবা থৌওং অমসুং থৌশিলশিং অসিনা স্কুলশিংগী সবজেক্ট ওইনা হাংদোকখ্রবা থাঙ-তাগী সবজেক্ট অসিবু লৈখা তাহল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। মরম অসিনা স্কুলশিংদা থাঙ-তাগী ওজা ওইরিবশিং অসি থাঙ তাগী লূপ অমদি এসোসিএসনশিংগী ওইনা অচৌবা মীফম অমা থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা কিমাক্সকী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা থাঙ-তাগী ওইনা হাংলিবা সবজেক্ট অসিগী গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা ওজা হাপ্লীনবগী খোঙজং চংশিন্নবগী মতাংদা খন্ন নৈনগনি অমসুং মখা তাবা খোঙজংগী থৌশিল থৌরাং অমা শেমগনি হায়রি।

থাঙ-তাগী ওইবা ওজাশিংগী রিক্রুইটমেন্ট রুল অমসুং রিগুলেসন অমা শেম্না অমসুং চহীনচিংবা চপ চাবা অমা লেপথোক্লবসু খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

থা অসিগী ৮দা কিমাক্সকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থাঙ-তাগী ওজাশিং অমসুং কিমাক্সকী থৌমীশিংনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না ওজাশিং অমসুং ইন্সত্রক্টরশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

MATHEMATIC (WIZARD) COMPETITION 2018

Orgd. by: EDUCITY

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL WEST

Last Date of Form Submission - 16th July, 2018

Subject: Mathematic only (100 marks MCQ)

Submission Fees Rs. 300/-

Timing : 11:00 am to 1:00 pm

Class: I to X (Class Wise)

Prize:

1st Position - Rs. 7000 x 10 + Certificate

2nd Position - Rs. 5000 x 10 + Certificate

3rd Position - Rs. 3000 x 10 + Certificate

4th to 10th Position - Special Package

Date of Examination: 22nd July, 2018 (Sunday)

* Special Prizes

1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 or 99 marks) with a prize of Rs. 3000 and Mementos

2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3000/- + Mementos)

Please Contact: 9612194580 | 7794386523

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.

[illegible]

HL-P/3371/21/6-20/7

'রেভিন্যু মিনিষ্টরগী ৱাফম কন্দেম তৌই'

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস):

বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা হৌজিক ইস্যু অমা লাক্লিবা অসিদা য়েংশিন্নবা শেমখিবা হায় পাৱর কন্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং কন্দেম তৌই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ গী মতাং অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি ওর্গনাইজেসন কয়ানা চৎতুনা য়েংবা লৈখ্রে। সী পি আইগী মীহুৎ কাঙবু অমসু মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ তা য়ুংশিল্লল্লিবা অসি লমদম অদোমগী খুঞ্জা কয়ানা ফোঙদোরকপা মতমদদি চহীসিগী মার্চ-এপ্রিল অদুৱায়দা য়ুংলম্বা ওইরমগনি হায়বা ৱাফম থল্লকই। ইনৌ নৌনা য়ুংশিল্লম্বগী মওং অমা লৈরি। অদুবু, হন্দক মফম অদুদা চৎলুবা রেভিন্যু মিনিষ্টরনদি চহী কয়াগী মমাংদা য়ুংলম্বা ওইরম্বা য়াই হায়বগী মওংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি য়ানিংদে। বোর্দর পিল্লরগা মরী লৈননা রেভিন্যু মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফমশিং কন্দেম তৌই।

বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১গী মতাং অসি তেংনৌপলগী দি সীনা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংলুরবা মতুংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মণিপুরগী ঙমখৈদা লানশিল্লক্লগা পিল্লর য়ুংশিল্লক্লে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্না লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। মণিপুরদা হন্দক্তা লাক্লম্বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম এফেয়র্স কিরেন রিজিজুনা ঙমখৈগী লম মাঙবা লৈতে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লম্বা অসি নুংনাংবা ফাওই। লমদমসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙমখৈগী শরুকশিং অসি নীংথিনা ঙাক্লবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। হৌজিক ঙমখৈগী লম মাঙবা য়াবগী ফীভম কয়া লাক্লিবা অসি য়াম্না লূম্না লৌবা চুমগনি। সী পি আই মণিপুরগী মীহুৎ কাঙবু অমনা বোর্দরদা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ক্বাথাগী খুঞ্জা কয়াগসু উনদুনা ৱারী শানরকখি। খুঞ্জাশিংগা ৱারী শানরকপা মতমদা ঙমখৈগী মতাংদা নুংনাংবা অমদি চিংনবা কয়া ফোঙদোরকখি। মণিপুরগী লৈজরিবা ঙমখৈগী শরুকশিং অসি ঙাক্তুনা থম্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংবগী অপাম্বা কয়াসু থল্লকখি। বোর্দরগী ইস্যু অসি য়াম্না মরুওইবনা লৈঙাক্লসু মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌবা তঙাইফদে। বোর্দর পিল্লরগী ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি কয়া অমনসু মফম অদুদা চৎতুনা য়েংলুবা লৈরবনি। ষ্টেট অসিগী মরুওইবা ইস্যু অমদি প্রোব্লেম কয়া লৈঙাক্লা ৱারো-ঈশিন পুরকপা ঙমদ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা ইস্যুশিংগী মনুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট, সীটি-জনশিপ (এমেন্দমেন্ট) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিনচিংবা কয়া অসিসু য়াওরিবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসিসু নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

শিন্মীশিংগী রাইটতা শিংনরক্লে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ শঙাইপ্রৌ গুদাউনগী সেট নম্বর ৪গী ষ্টোর কিপর (ইন চার্জ) না কিহন খংহনবগা লোয়ননা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপবু সী এ এফ এন্দ পি দি লেবররস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

সী এফ এন্দ পি দি লেবররস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস সুরচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট অমসুং চেঙ অমসুং চিনিগী গুদাউন্দদা ৱানা থবক শূরিবা শিন্মীশিংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা তোয়না অয়েৎ অপন পীরক্লিবা অসি খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইখিদুনা মদুগী মায়োক্তা ঈং তপ্পা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌনবগী ৱারোল পীনবা হোৎনবদা শঙাইপ্রৌ গুদাউনগী সেট নম্বর ৪গী ষ্টোর কিপর (ইন চার্জ) না কিহন খংহনবগা লোয়ননা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপবু সী এফ এন্দ পি দি লেবররস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

সী এ এফ এন্দ পি দি গুদাউন শঙাইপ্রৌনা মতম কয়াগী মমাঙদগী পি দি এসকী চেঙ চিনিগী অরূম্বা থাংদুনা হিংলক্লিবা লেবরশিংগী য়াইফনবা হোৎনরিবা এসোসিএসনশিংগী মীহুৎতা পার্সনেল ওইবা মওংদা গুদাউন অমগী এস কেনা তৌরকখিবা অসিমক নোংমগী শূরগা চরা তাঞ্জরিবা শিন্মী খুন্নাইদা শিংনবনি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী গুদাউন অমদা লেংদনা চহী ১৫গী মথক্তা ইন চার্জ ওইনা লৈরকপদগী অসিগুম্বা থৌওং অসি চথবা ঙল্লক্লিবনি। অসুম্না মফম অমদা লেংদনা চহী ১৫গী মথক্তা থল্লিবা অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী চৎনবীরা হায়নসু হংলক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা শুনা শুনা কোন্নরক্তবা অসিদগী গুদাউনগী শিন্মীশিং নীংবা কায়হল্লে। পূম্নমক অসি লৈবনা থা অসিগী ৯দগী থবক লেপ্পুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং সেট নম্বর ৪গী শিন্মীশিংনা চঙশিল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা ষ্টোর কিপর ইন চার্জ অসিনা এসোসিএসনগী মীহুৎশিংদা কিহন খংহল্লক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা তুংদা থোরকপা খুদোংথিবা পূম্নমক্কী থৌদাং মহাক্লা পুগদবনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ ঃ জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়া য়ারলপাৎ ইম্ফাল ইষ্টতা ক্লাস অমত্তদা কুমজা ২০০২দগী ২০০৯ ফাওবা তম্মীন্ন-রকখিবা নিংথৌজম জুগেশ্বরনা হৌখিবা জুন ২২গী নুমিদাংদা খুমন লম্পাক্কী আই এস টি ভি মনাক্তা থোকখিবা চিংননিংঙাই ওইবা এক্সিদেন্ট অমদা রাজ মেদিসিটিদা জুন ২৫দা লৈখিদবদা জে এন ভি অলমনাই এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জেকিচান্দ মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নিংথৌজম জুগেশ্বরনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিখিবা অসিগী লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু হায়বা খোঙজং অসিগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি অলমনাই এসোসিএসনগী জে এন ভি য়ারল পাৎ অমদি জে এন ভি অলমনাই এসোসিএসন মণিপুর অনীগা পূন্না শিন্দুনা চিংমৈরোং মমাঙ লৈকায় কম্যুনিতি হোলদগী লৈখিদ্রবা অসিগী লৈকায় ফাওবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অমদি গাড়ী অথুবা মতমদা পুথোকপীদুনা অচুম্বা ৱায়েল অদু লৈবাক মীয়াম মাঙদা উহনবীয়ু হায়রি। অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবদি মণিপুরদা লৈরিবা জে এন ভি খক্তা নত্তনা ওল ইন্দিয়া পূম্বদা লৈরিবা জে এন ভি অলমনাই খুদিংমক্ক সু খোঙজং অসি শৌগৎকনি হায়খি।

উরিপোক্তা সোলর প্লান্ট অমা শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচ এন এস) ঃ য়ুথ লাইব্রেরি এন্দ ক্লব অমসুং ৱিমেন দিভলপমেন্ট কন্মিটি উরিপোক পোলেম লৈকায়না পূন্না শিন্দুনা গ্রিদ কনেক্তেদ ফাইভ কিলোৱাট রুফ টোপ সোলর পৱার প্লান্ট শঙ্গাবগী থৌরম ঙসি উরিপোক পোলেম লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হায়, উরিপোক এ সীদা লৈরিবা তুরেল ময়াশিং অসি য়ারিবমখৈ মৈ থান্দুনা অমম্বা লৈতনবা হোৎনসি। অমম্বা হায়বসি লৈতনবা হোৎনবদা মীয়াম পূন্না চঙশিনমিন্নসি।

অমম্বা হায়বসি পীক্লিঙৈ অঙাং ওইরিঙৈদগী কিদুনা লাক্লুবা ঙাক্তনি। অমম্বা হায়বসিদা ফত্তবা থবকশিং চৎথে। মরম অদুনা অমম্বা লৈহন্দনবা হোৎনবা চঙই। মনিরেদানা পীরিবা কান্নবশিং অসিসু ঐখোয়না লৌসি। পীরিবা কান্নবা অসি চাদা ৭০ সবসিদি ওইননি। থা অসিদা মতম লোইরবনি। জুন থাগী মনুংদা লোইশিনগদবনি। অদুবু এ সী অসিগীদি হান্ননা মাঙজৌননা দিপোজিৎ তৌখিবনা মথং মথং পায়খৎপনা অয়াম্বা লোইশিল্লক্লবনি হায়খি।

ইহান হান্না উরিপোক পঞ্চায় মনীংগী তুরেল ময়া, য়ু এফ ওনা লৈরিবা মফম অসিদা হৌখিবনি। হৌজিক পাল্লিবা সোলর পৱার প্লান্ট অসি মৈ থাজিন্দুনা থমহৌবনি। মণিপুরদি য়াম্না চাওখৎপসু নত্তে। অমরোমদা য়াম্না চাওখৎতবসু নত্তে, ময়ায় ওইনা লৈরিবনি হায়বা য়াই। মৈগী ফীভম য়েংলুরবসু মপান্দগী চাদা ৭৫ লৈরিবনি। চাদা ২৫দি লোক্তাক্তগী পুথোক্লিবা অসিদগী ফংবনি।

নেসনল গ্রিদতগী লৈরিবা অদুনা ইলেক্ট্রিক কঞ্জুমরশিং অসিনা লৈরিবনি অমদি শেল য়াম্না চৎলি। কিলোৱাট অমদা লুপা ৪/৪ থিরিবনি। মসিনা ষ্টেটকী শেলশিং অসি অয়াম্বা মপান্দা চৎলি। শেনফম অসি চত্তবা তারবদি ষ্টেট অসিদা কান্নবা ফংগনি। সোলর পৱার প্লান্ট অসি শীজিন্নবদা মৈগী টেক্স শীজিন্নবগী চাং হন্থহনগনি। মসিগীসু মথক্তা শেল একাউন্টতা হল্লক্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অসিগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউ-ন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৬কী কোর্পোরেটর টি ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, ৱার্দনম্বর ৬কী লৈরিবা মফমশিং অসিসু অমম্বা লৈতনবা হোৎনমিন্নসি। উরিপোক্কী লৈরিবা মফমশিং উরিপোক্তা লৈরিবা মীয়ামদা খূৎশিন্নদুনা করি তৌবা য়াই হায়বদু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা পূন্না খন্ন-নৈনমীন্নসি।

থৌরম অদুদা য়ুথ লাইব্রেরি ক্লব উরিপোক পোলেম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু সমানন্দনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা মনিরেদাগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর য়ুমলেম্বম খোলচন্দ্র অমসুং ৱিমেন দিভলপমেন্ট কন্মিটি উরিপোক পোলেম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট এ সনাতোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ৱর্ল্ড কোংগ্রেসতা শরুক য়াগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ ঃ নম্বোলগী এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজগী হ্যুমেন রাইটস দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরিবা ডা. লাইতোঞ্জম মুহিন্দ্রো (লাইতোন) বু থা অসিগী ২১দগী ২৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিসবেন্দা ইন্টরনেসনল পোলিটিকেল সাইন্স এসোসিএসন কনাদানা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫শুবা ইন্টরনেসনল পোলিটিকেল সাইন্স কোংগ্রেসতা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লে। বোর্দরস এন্দ মার্জিন হায়বা হীরম অসিদা শক্লাইরবা পালিটিকেল সাইন্টিষ্ট অমসুং একাদেমিসিয়নশিং চহী ২/২গী পূন্দুনা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট কয়াদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা ইস্যু কয়াদা খন্ন নৈনগনি হায়রি। কোংগ্রেস অসিদা ডা. মুহিন্দ্রোনা দেমোক্রেসি, করপসন এন্দ ইলেক্টোরেল ইন্টিগ্রিটি ইন ইন্দিয়াস নোর্থ ইষ্ট হায়বা হীরম অসিদা চে পাথোক্কনি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/থাগৎচরি

Ashok Kumar

ঐগী থা মরিদগী নারকপা 'Frozen Shoulder' না পীবা অৱাবা চৈথেং কয়া খাঙখি।খূৎ-য়েৎ থংবা হাইগৎপা য়াদবা, হম-হম চিকপা, শাবা খাংফম খঙদবা, ইশাগী শম ফাওবা শমজেৎপা হাৎপা ঙমজদবা অসিনচিংবনি। অৱাবা পোৎলুম কয়াসি Palace Compound, Imphal East তা লৈবা Ashok Kumar Health Care Centre, ☎ 9612988625 দা অশোক কুমারনা শুপ্নতগী নুমিৎ ৫নি দা ফহনবিরে। ত্রিটমেন্ট অসি 'Natural Therapy' শীজিন্নরগা পীবিবনি। মসিগীদমক অশোক কুমারবু পাউ-চেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী থৌগল কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

থাগৎচরিবা : D. Heni MAO

HL-P/1802/9

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐ পাইলসনা নাদুনা ইশাদা পোম্বা অমদি খোঙ হাম্বা মতমদা মখাক লৈনা চিং-চিং হাম্বা অদুনা মরম ওইরগা খ্বাং নাবা, খোঙ হামদ্রিঙৈ মতমদা মরেং-মরেং চৎপা অমসুং মনাং য়াওবা, মনাং ফাইরবা মতুংদা ফাইগল ফাইরু য়াম্না চোকথদুনা চিকপা-নাবা, ঙা-শা চারগনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা, পুক কংখৎতুনা অদুম লৈবা অদুগা মরক মরক্তা ফম্বদা মচুম তাবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি. রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম** ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩ দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং ওজাগী হিদাক চাজবদগী মপূগী থৌজালনা মপুং ফানা ফরে নুংঙাইরে। মতম লৈবা খিবিক্তা ওজাবু কাওজরোই। মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্নীবা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরী, ওঝাবু হন্না হন্না নুংঙাইবা ফোংদোকচরি।

লায়েংফম ঃ

১) কোঞ্চাক বজার, ময়াং ইম্ফাল।

২) মোরে বজার।

থাগৎচরিবা : ASHEM CHAOBA, Waheng Khuman

HL-P/3376/9

ꯊꯕꯛ/JOB FOR X AND XII PASS

মণিপুর মনুংগী ওইগদবা অখন্নবা পোষ্ট ৮১গীদমক নুপী ৩৫ অদুগা নুপা ৪৬কী কেন্দিদেটশিং লৌগদৌরি। মসিদা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব পাস তৌরবা, থবক তৌবিনীংবা মীওই খুদিংমক্লা এপ্লাই তৌবিরবা য়াগনি। মশাগী চহীনা ৩০গী মখাদা লৈবা মীওইশিং ওইগদবনি। থাগী ইনকমনা লুপা ১০,০০০দগী লুপা ৩৫,০০০/- ফাওবগী মনুংদা ওইগনি। দিপোজিৎ লৌজরোই অমদি অথাপ্পা মীওইশিংগী লৈফম চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। এপ্লাই তৌবিনীংবশিংনা লাকপীবা মতমদা ইশাগী বাইও-দেটা পায়বিরকউ।

Visiting Hr. : 12 noon. to 3 p.m.

Contact :- 8014170652, 9774986962 or 8414834122

HL-P/4066/9,11,13&17

RHYMES TRAINING COURSE

ꯑꯍꯥꯟꯅꯥ/ ADMISSION OPEN

Class only on Sunday

Only Admission fees at lowest rate,
Tuition fees will be free
Classes commencing on : **8th July, 2018.**
Last date of Admission : **6th July, 2018.**
Limited Seats.

Contact: Subhaluxmi, Kids Foundation
Mangjil Mamang Kongba Road,
Contact ☎ 7005721624

HL-P/4069/7-9

ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ/ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকরবু হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফালদা (আই. টি. আই মনাক্তা) লৈবা নুংগী লায়েংবা পাবুং নবকিশোরগী মচানুপা **লাইশ্রম সুধাকর**-না ওজাগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবিবদগী ঐগী কিদনী নাকল অনীমক্তা লৈরম্বা নুঙ অহুম অদু হপ্তা নিপান হীদাক চারগা অলট্রাসাউন্দ লৌরুবদা লৈরমদ্রে। হৌজিক্তি হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা **লাইশ্রম সুধাকর**-বু হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

ফোঙদোকচরিবা ঃ খাইরাকপম চন্দ্রকুমার
সগোলবন্দ সয়াং কুরাও মখোং

HL-P/1746/9